ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলি ফোর্সনা পেলিষ্টিনিয়ন ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

রমাল্লাহ, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা জেরুসলেম অমসুং জেনিনগী মফমশিংদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা ঙরাং নুমিদাং চথুখিবা থি হুম্বগী থবক অমদা মুক্করকপদগী ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পেলিষ্টিনিয়ন ৮ শিখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱাঙাংলোয় মোহমদ হলেলনা ফোঙদোকখিবদা, জেরুসলেমগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা বিদ্দু খুঙ্গংদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পেলিষ্টিনিয়ন অহুম শিখি। লৈখিদ্রবা অহুম অদু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়নননা মখোয়শিং অদু অহমদ জাহরান, মোহমদ মাইদান অমদি জকারিয়া বাদোন কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। বিদ্দু খুঙ্গংগা থংননা লৈবা বরকিন খুঙ্গংদসু ইজরেলি ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। হায়রিবা খুঙ্গং অসি জেনিন সিটিগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা চৎলগা লৈবা মফম্নি। ইজরেলি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মীওই অদু মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা ওসামা সোবো কৌবা অমনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে।

হলেলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরেলি ফোর্সশিংনা মঙা শুবা পেলিষ্টিনিয়ন অমসু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়বগী পাউ ফংলে। অদুমকপু করম্বা মফমদা অমদি করি মরমগীদমক হাৎখিবনো হায়বগী চপ চাবা পাউদি ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি মিদিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না, ঙরাং নুমিদাং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথুখিবা থি হুম্বগী থবক অদু হান্না মফমদুদা লৈরম্বা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা থিংনবা হোৎনবগা লোয়নননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং তম্না শিবা য়াবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক্ট চথুরকখিবনি। মখোয়না চথুরকখিবা এটেক্ট অদু সিক্যুরিটি ফোর্স অনী অরুবা ফিভমদা শোকখি। মখোয় অনী হৌজিক ট্রিটমেন্ট চথুরি।

জেরুসলেম অমসুং জেনিন সিটিগী অকোয়বদা হমাজ লালহৌবা খরা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংলবা মতুং মফম অদুদা থি হুম্বগী থবক চথুখিবনি। ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শিখ্রবশিং অদু হমাজ গ্রুপকা মরী লৈনবা মীওইশিং ওইরম্বা য়াই হায়রি।

অমরোমদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ইজরেলি ফোর্সশিংনা চথুখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা অপিল তৌরক্লি।

য়ু এসকী ৱার্নীং লৈনা লৈনা রসিয়ান এস-৪০০ লৈগদৌরি

অনকারা, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

এন এ টি ওগী এলাই অমসু ওইরিবা য়ু এসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং অনীরকশুবা ওইনা টর্কিনা রসিয়াদগী মিসাইল সিষ্টেম লৈনবা শেম শাখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টর্গী প্রসিদেন্ট রিসেপ টয়িপ এর্দোগাননা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স সিষ্টেমগী মতাংদা ফিরেপ লৌবা মতমদা অতোপ্পা লৈবাক্লা খুৎ থিংজিনফম থোক্তে। লৈবাক অসিনা মনিং তম্না মশাগী দিফেন্স সিষ্টেম ফগৎহন্নবগী মতাংদা ফিরেপ লৌজগনি। টর্কিনা য়ু এসতগী এফ-৩৫ ষ্টিল্থ জেট লৈনবগীদমক মাঙজৌননা দোল্লর বিলিয়ন ১.৪ পীশিনখ্রে। অদুবু হৌজিকফাওবদা য়ু এসনা লৈবাক অসিদা ষ্টিল্থ জেটশিং পীরকপা লৈত্রি।

মসিনা মরম ওইরগা টর্কিনা য়ু এসতগী পীত্রওট মিসাইল লৈনবগী ফিরেপ অদু হন্দোকখিবগা লোয়নননা রসিয়ান এস-৪০০ দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অয়েৎপা পীনবা হোৎনরকপা অসি লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিনবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই।

টর্কিনা অহানবা ওইনা রসিয়ান এস-৪০০ দিফেন্স সিষ্টেম লৈখ্রবা মতুং এফ-৩৫ ষ্টিল্থ জেট প্রোগ্রামদগী য়ু এসনা টর্কিবু লৌথোকখিবগা লোয়নননা অথিংবশিং থমজিনবা হৌরকখিবনি। নোটো মেম্বর অমসু ওইরিবা টর্কিনা রসিয়ান এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈখিবা অদুনা মরম ওইরগা নেটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা য়ু এসনা টর্কিগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিল্লকখিবা অদুবু প্রসিদেন্ট এর্দোগাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা রসিয়ান এস-৪০০ দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা ফিরেপ লৌখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা পসিদেন্ট এর্দোগাননা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিদা মহাক্লা চহী ১৯ রোম লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মতম অসিদা হন্দক য়ু এসতা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা জো বাইদেনগা অফবা মরী থম্বা ঙমদ্রি। লৈবাক অনীগী হৌজিক লৈনরিবা মরী অসি অফবা মরীনি হায়না মহাক্কী মায়কৈদ্দগী ফোঙদোকপা পামদে হায়রি।

ট্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিরে, কয়ানা শোক্লে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

য়ু এসতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা ট্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ৩ শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না রেল ওপরেটর অম্ত্রাকনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তান্না ফোঙদোকখিবদা, ট্রেন অদুদা চাওরাক্লা পেসেঞ্জর ১৪১ অমদি ক্রু মেম্বর ১৬ তোংখি। কম্পার্টমেন্ট ৮ পুবা ট্রেন অদু চিকাগোদগী সীটল তানা চৎখিবনি। নোর্দন মোন্টানাগী মনুং চনবা রেল ট্রেক অমদা খঙহৌদনা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্কশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুবা হৌখি। অহানবগী ওইনা রেস্ক্যু ৱার্করশিং অদুনা মীওই ৩ গী অশিবা হকচাং থেংনখি। অশোকপা মীওই কয়া অমসু পুথোরক্তুনা খুদক্কী ওইবা ট্রিটমেন্ট পীরবা মতুং এম্বুলেন্সশিংনা মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটালদা পুদুনা চৎখ্রে।

থৌদোক অদুদা মীওই ৩ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু অশোকপা মশিংদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। থৌদোক অদু য়াম্নমক লাইবক থিবনি অমদি মীওই ৩ শিহনখিবা অদুনা অমুক্তা হেন্না নুংনাংবা পোকহল্লে হায়না লোকেল শেরিফ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিমক্কী ওইনদি মতৌ করম্না এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ভিদিও ফুটেজ শিংদসু মতৌ করম্না ট্রেন অদু রেল ট্রেক্টগী হায়দোক্তুনা লম্বী নাকলদা লোংখিবনো হায়বদু উবা ফংদ্রি। টেক্লিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু চপ চাবা মরম খঙদোক্লবগীদমক অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

কনাদাগী ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা রেল ট্রেক অসি মতম কয়াগী মমাংদগী শেমজিন্দনা লাকখিবনা মরম ওইরগা ট্রেক অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮দসু হায়রিবা ট্রেক অসিদা এক্সিদেন্ট অনী থোকখি। থৌদোক অনী অদুদা পুন্না মীওই ১৩ শিহনখি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা ৱারী শাননবা শেম শাদুনা লৈ

সিওল, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীগী মরক্তা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ইন্টর-কোরিয়ন সম্মিট অমা পাঙথোক্লদবগীদমক নোর্থনা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা সাউথনা নোর্থপু ইকায়খুম্নরবদি হায়রিবা অসি ওইথোকপা য়ানা লৈ হায়না লৈবাক অদুগী লুচিংবা কিম জোং অনগী মচন্নুপী কিম য়ো জোংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা মীওই অমা ওইরিবী কিম য়োনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ৱাথোক্তা অতোপ্পা লৈবাক য়াওশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাকপনি। কুমজা ১৯৫০-১৯৫৩ ফাওবদা কোরিয়া মনুংদা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অদুগী ৱারোইশিন হৌজিকসু পুরকপা ঙমদ্রি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা য়ু এসনা খুৎ থিংজিনবা হৌরকখিবনি।

অমনা অমবু ইকাইখুম্নবা উত্তুনা থবক তৌরবদি মসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। লাইবক থিবদি কোরিয়া মনুংগী ওইবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা য়ু এস অমসুং নোর্থকী মরক্তা মতম শাংনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। য়ু এসনা নোর্থকী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিন্দুনা সাউথকা হেন্না নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি। সাউথনসু য়ু এসকী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌরি। মসি তোক্লবদি ৱারী শানবা য়াগনি হায়রি।

টালিবানগী মতেং লৌবগী মথৌ তাদে: য়ু এস

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টানদা কাউন্টর টেরোরিজম এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথবদা লৈবাক অদুদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবানগী মতেং লৌবগী মথৌ তাদে হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মতম অমদা হেক্তা য়ু এসনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথুবা ঙম্মী হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি গোন কির্বিনা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা লালহৌবশিংগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা টালিবানগা হান্না ৱারী শাবগী মথৌ তাদে। লালহৌবশিং লৈরে হায়বগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন লৈরবদি মতম অমদা হেক্তা ষ্ট্রাইক চথুগনি। য়ু এসকী পান্দমদি মালেমগী লৈমায়দগী টেররিষ্টশিং মপুং ফানা মাঙহনবনি হায়রি।

অমরোমদা টালিবাননা মখোয়গী ওইবা পোলিসি শেম্বদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অদুদা মতম শাংনা লৈদুনা লাল শোক্লবদা য়াওরম্বা লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টানদা অহেনবা শেলগী তেংবাং পীদুনা লৈবাক অদুবু শেমগৎপদা মতেং পাংগদবনি হায়রি।

টালিবাননা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি থবক ওইনা পায়খৎপা লৈত্রি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা নুপীশিংগী রাইট মাঙহনবা য়াবা পোলিসি কয়া শেম্বা হৌরক্লি।

টালিবান লৈঙাক রিকগনাইজ তৌবগী ৱাফম লৈত্রি

মোস্কো, সেপ্তেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :

ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্লিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্ব্লিদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা হৌজিমক্কী ওইনদি অফঘানিষ্টানদা নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাকপু রিকগনাইজ তৌবগী মতাংদা খন্নবা লৈত্রি হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোভনা ফোঙদোরক্লি।

চহীগী ওইবা মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক টালিবাননা মখোয়গী ওইবা য়ু এনগী অনৌবা এনভোয় অমা খল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ৱাফম অসি লাভরোভনা ফোঙদোরকখিবনি। টালিবাননা মখোয়গী ওইবা অনৌবা এনভোয় অমা নোমিনেট তৌরে হায়না খঙহল্লকখ্রবা মতুং হান্নগী লৈঙাক্লা থম্লম্বা অফঘান এনভোয়বু মীফম অসিদা য়াওহনখিবদগা লেয়ননা লৈখায় তাদ্রিফাওবা অনৌবা এনভোয় অদুসু রিকগনাইজ তৌদনবা মালেমগী লুচিংবশিংনা অমত্তা ওইনা ফিরেপ লৌখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ফিরেপ লৌনবা ক্রিদেন্সিএল কম্মিটিদা মরী লৈনবা চে চাং থাখ্রে হায়রি।

LOAN পীজরি WITHIN 45 DAYS মনুংদা LOAN ফংহঞ্জগনি

No Processing Fee
No Deposit

1. Self Employed persons Loan.
2. Agri Land Loan.
3. Non-Agri Land (Mortgage property) Loan.
4. Salaried Person Loan

Office Hour : 10 am to 3 pm.
9362323364
7005862472

Sd/- **Manager**
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
Chingmeirong, Imphal
Near Maruti NEXA

HL-B/7156/15-29/9

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7118/1/9-1/10

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
For
MEDICAL REGULAR COURSE
2021-22

For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in

☞ Date of Form issue : 13th September, 2021
☞ Last date of form submission : 30th September, 2021
☞ Class commencement from : date to be published in newspapers

Free Studentship available
(Limited seats based on first come first serve basis)

Special Features
☞ Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Assessment test every Sunday (during pandemic).
☞ If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
☞ Study Materials will be provided.

Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7175/22,23,25,27

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical (NEET-UG) & Engg.(JEE)-2022
Eligibility - Class XII passed

Class commencement: To be notified later (Offline Class)

DIRECT ADMISSION WITH FREESHIP ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 91% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (BOSEM) / CLASS XII - 2021 (COHSEM)
* 95% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (CBSE) / CLASS XII - 2021 (CBSE)

DIRECT ADMISSION WITH CONCESSIONAL FEE ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 85% MARKS - BELOW 91% (FEE CONCESSION - 20%)
* 75% MARKS - BELOW 85% (FEE CONCESSION-15%)
* SPECIAL CONCESSION TO ST/PYSICALLY CHALLANGE / MOBC STUDENTS

SPECIAL FEATURES :
* TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
* CHAPTERWISE TEST ON EVERY MONTH
* PRACTICE SESSION ON EACH CLASS
* FOUR MOCK TEST FOR EACH 11 SC. AND 12 SC. NEET SYLLABUS
* ONE MEGA MOCK TEST ON WHOLE SYLLABUS

COVID-19 VACCINATION CERTIFICATE AT LEAST FIRST DOSE IS MANDATORY
LODGING FACILITIES FOR BOYS & GIRLS

FOR DETAILS : PLEASE CONTACT APOLLO OFFICE, NEAR AMUCO OFFICE
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL - 795001

HL-B/7161/16 Sept. to 1st Oct.

In the High Court of Manipur
at Imphal

W.P.(C) No. 594 of 2021

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction and thereby quashing the impugned Seniority List dated 12.08.2021 and to prepare a fresh Seniority List according to the date of appointment as mandated in the Office Memorandum dated 13.08.2021 coupled with a prayer for a direction to the respondents not to proceed with the promotion of filling the post of Sub-Inspector of Police (Male/Civil).

Nongthongbam Mangoljao Meitei & 2 Ors. ... Petitioner

– *Versus* –

The State of Manipur & 92 Ors. ... Respondent

To

1. Moirangthem Budhamani Singh	*Respondent No. 3*
2. Sougaijam Barun Singh	*Respondent No. 4*
3. Chingangbam Jebish Singh	*Respondent No. 5*
4. Chingangbam Somorjit Singh	*Respondent No. 6*
5. Mongsatabam Pramesh Meitei	*Respondent No. 7*
6. Usham Lamajit Meitei	*Respondent No. 8*
7. Md. Giyasuddin	*Respondent No. 9*
8. Ngangom Jhalajit Luwang	*Respondent No. 10*
9. Khangembam Maichal Singh	*Respondent No. 11*
10. Rakesh Singh Yumnam	*Respondent No. 12*
11. Akoijam Rigan Singh	*Respondent No. 13*
12. Mutum Surjit Mangang	*Respondent No. 14*
13. Oinam Romesh Singh	*Respondent No. 15*
14. Ch. Bishojit Meitei	*Respondent No. 16*
15. Maibam Somorendro Singh	*Respondent No. 17*
16. Sagolsem Maneshwor Singh	*Respondent No. 18*
17. Abung Thongam	*Respondent No. 19*
18. Konsam Rajesh Singh	*Respondent No. 20*
19. Moirangthem Robinson	*Respondent No. 21*
20. Kangabam Hemchandra Singh	*Respondent No. 22*
21. Maibam Liston	*Respondent No. 23*
22. R.K. Richard Singh	*Respondent No. 24*
23. Leishangthem Devananda Singh	*Respondent No. 25*
24. Arambam Babloo Singh	*Respondent No. 26*
25. Tuijam Romen Singh	*Respondent No. 27*
26. Nongthombam Samananda Singh	*Respondent No. 28*
27. Ningthoukhongjam Nokul Singh	*Respondent No. 29*
28. Nongallakpa Yumnam Mangang	*Respondent No. 30*
29. Moirangthem Selinkumar Singh	*Respondent No. 31*
30. Sharungbam Nikhil Singh	*Respondent No. 32*
31. Yanglem Samarendra Singh	*Respondent No. 33*
32. Sapam Sanatomba Singh	*Respondent No. 34*
33. Moirangthem Roshan	*Respondent No. 35*
34. Thangjam Jiban Singh	*Respondent No. 36*
35. Hijam Amitkumar Singh	*Respondent No. 37*
36. Waikhom Ronny Singh	*Respondent No. 38*
37. Pheiroijam Roshan Luwang	*Respondent No. 39*
38. Laishram Super Singh	*Respondent No. 40*
39. Wangkheimayum Hemango Singh	*Respondent No. 41*
40. Konthoujam Deepak Singh	*Respondent No. 42*
41. Haobam Nelson Singh	*Respondent No. 43*
42. Laiphrakpam Hozo Singh	*Respondent No. 44*
43. Laishram Tikendro Singh	*Respondent No. 45*
44. Lamabam Rajesh Khuman	*Respondent No. 46*
45. Donald Akoijam	*Respondent No. 47*
46. S. Taibanganba Meitei	*Respondent No. 48*
47. Naorem Helenjit Meitei	*Respondent No. 49*
48. Ephammayum Mujibur Rahaman	*Respondent No. 50*
49. Mumtaza Khan	*Respondent No. 51*
50. Yambem Satyajit Singh	*Respondent No. 52*
51. Md. Noor Mohammad Shah	*Respondent No. 53*
52. Rajkumar Ranjan Singh	*Respondent No. 54*
53. Rambo Yumnam	*Respondent No. 55*
54. Sorokhaibam Kenedy	*Respondent No. 56*
55. Mutum Peterson	*Respondent No. 57*
56. Mohmad Faazil	*Respondent No. 58*
57. Yumnam Subhachandra Singh	*Respondent No. 59*
58. Khuraijam Boney Singh	*Respondent No. 60*
59. Kshetrimayum Gyanjit Singh	*Respondent No. 61*
60. Govinda Khundongbam	*Respondent No. 62*
61. Ningthoujam Anil Singh	*Respondent No. 63*
62. Hijam Johnson Singh	*Respondent No. 64*
63. Laishram Tiken Singh	*Respondent No. 65*
64. Laishram Premananda Singh	*Respondent No. 66*
65. Laishram Jotin Singh	*Respondent No. 67*
66. Kangjam Jiban Singh	*Respondent No. 68*
67. Nongthombam Joykumar Singh	*Respondent No. 69*
68. Sanoujam Langam Meetei	*Respondent No. 70*
69. Mohmmed Rahimuddin	*Respondent No. 71*
70. Haobijam Birchandra Singh	*Respondent No. 72*
71. Thangjam Arunkumar Singh	*Respondent No. 73*
72. Ningthoujam Robert Singh	*Respondent No. 74*
73. Naorem Rojen Singh	*Respondent No. 75*
74. Ksh. Geetchandra Singh	*Respondent No. 76*
75. Ningthoujam Malemnganba Meitei	*Respondent No. 77*
76. Kayenpaibam Yashobanta Singh	*Respondent No. 78*
77. Dinendro Khuraijam	*Respondent No. 79*
78. Sagolsem Sunil Singh	*Respondent No. 80*
79. Potshangbam Siddhartha Singh	*Respondent No. 81*
80. Lairikyengbam Bishowraman	*Respondent No. 82*
81. Chingangbam Nongthang Singh	*Respondent No. 83*
82. Huidrom Sajan Singh	*Respondent No. 84*
83. Md. Mansur Khan	*Respondent No. 85*
84. Heisnam Anand Singh	*Respondent No. 86*
85. Md. Tamijur Rahman	*Respondent No. 87*
86. Moirangthem Sangeet Singh	*Respondent No. 88*
87. Md. Didar Hussain	*Respondent No. 89*
88. Yumnam Romeo Meitei	*Respondent No. 90*
89. Ningombam Dhaneshwor Singh	*Respondent No. 91*
90. Loitongbam Premkumar Singh	*Respondent No. 92*
91. Thangjam Saratchandra Singh	*Respondent No. 93*

Through – The Director General of Police, Govt. of Manipur, Imphal, Manipur, Police Head Quarter, Babupar, Imphal – 795001.

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 10.09.2021 passed in WP(C) No. 594 of 2021 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 93 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local daily(s) one in English and one in Vernacular returnable on 08.10.2021.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 08.10.2021 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 22nd September, 2021.

By Order.

By: Mr. A. Mohendro, Advocate

ASSISTANT REGISTRAR-I

HL-P/0164/26 & 27